# অমুকোগী য়ুনিটি ডে দা শরুক য়ানবা আপিল তৌরক্লি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ* ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না চহি খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপগুম হন্দকসু জুন ১৮ গী থৌরম 'য়ুনিটি ডে' অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবশিংগী মোংফমদা হৈ-লৈ কৎলবা তুংদা অয়ুক্কী পুং ১১.০০ দগী থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা পাংথোক্কদৌরি। মসি মীয়াম্না লাকপীদুনা শরুক য়ানবীনবা অমুকোগী চেরোল অমনা আপিল তৌরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুং ইন্না মখা তানা হায়, ইং কুমজা ১৯৯৭ মার্চ ১৪, ১৯৯৭ কী জুলাই ১১, ১৯৯৮ কী দিসেম্বর ১৭ অমসুং ২০০১ গী মার্চ ২২ দা মণিপুর মচেৎ তাদনবা ৱারেপশিং লৌদুনা লৈঙাকপশিংগী থৌদাংদি শিংথানিঙাই ওইখ্রবা মতুংদা অমুকোনসু ১৯৯৭ গী আগষ্ট ৪ দা মণিপুর মীয়ামগী খ্বাইদগী চাওবা রেল্লি অমা শিন্দুনা য়ানিংদবা উংখিবা লৈরে।

অদুবু ইং ২০০১ গী জুন ১৪ দা এন সি এন সি (আই এম) গা ভারত সরকারগা খুৎ থাবা লেপ্পবগী সহি তৌনবদা 'ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট' হাপচিল্লকপনা য়োং তেনয়েন তৌদুনা চীং-তমগী অপুনবা শক্তম থুগাইবা হৌরে খঙবদগী ২০০১ গী জুন ১৫ দা পুং ৬৬ কী মণিপুর লুপ কয়ানা ষ্ট্রাইক কৌদুনা বেঙ্কোক এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তা লেপখি। মসিদা লুপ কয়ানসু য়াওশিল্লকখি। অপুনবা নুমিৎ জুন ১৮ দা মণিপুর পুন্সগী শক্তম কান্নবা মীওই ১৪না থৱায়না পোচ্ছা পীখি। মসিগী তুংদা মীওই ৪ অমগা থৱায় কৎখি।

মসিগী মমাংগী জুন ১৪ অসিবুনা অমুকোনা প্রোটেষ্ট ডে হায়না ভারতকী মচেৎ মচৌ তানবা শক্তমদা শিংনবসি তোকপা লৈত্রি। চহি ১০ হেন্না ৱারী শান্নরকপা এন এস সি এন (আই এম) দা সুপ্রা ষ্টেট বোদি হায়বদি স্পিসিয়েল ফেদরেল রিলেসনশিপনা নাগালেন্দদতা নত্তঞ্জা য়ুমথংনবা লম অহুমগী হায়বদি মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশকী নাগা তাবা মফমশিংগী মাগীমাগী মখাদা লৈঙাকপা য়াওহন্দবা, নাগালেন্দগী মখাদা লৈবা লম ওইনবা হোৎনখি। অদুবু মদু চীংগী প্রজাশিংনা য়াখিদে। মসিনা তাকপদি চীংদসু মীয়াম্না কায়নবা পামদে হা য়ায়বনি।নুংশি চান্নবা অসি মীয়াম্লক্তা লৈরবসু লুচিংবা খরনা মখোয়গী ইন্টরেষ্টতা থুগাইনবা হোৎনদবা নত্তে। মরমসিনা অমুকোনা য়ুনিটিনা মণিপুরগী ফ্যুচর ওইগনি খঞ্জবনা পুৱারী ওইরবা জুন ১৮ গী ঈহৌ অসি 'য়ুনিট ডে' হায়না পাঙথোক্তুনা লাকচখি।মতাং অসিদা য়েংবা য়ারিবদি অপুনবা নত্তনা য়েক্লবা ওইনা লৌদুনা নমথনবা হোৎনরম্লবদি এসেমব্লিনা তাঙ্গৌই ওনখ্রবা, লৈঙাকপা অমসুং পোলিটিকেল পার্টিকী ওফিস কয়া মৈনা তুম্না থারক্লবা হায়বসি য়ামখ্রবা মীয়ামগী মমাংদা সেক্যুরিটি ফোর্স অমত্তনা থিংবা ঙমদ্রবা মতমদুদা ঈচিল ইনাওশিংগী মরক্তা খুৎ থানবা লৈখিদে। মসিদা নচিন ননাও পুন্দনা মণিপুরগী অতোপ্পা লাইবক লৈতে হায়বনি। মদুগী য়ুনিটিদু পুরক্লবা অমুকোনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। ৱাথোক অসি দিল্লি লৈঙাক্লা ওইহনবনি হায়বসু মীয়াম্না তাকপনি। মসিদগী অপুনবগী ঈহৌ তৌদবা য়াদে হায়বদুমক্লা ঙসি জুন ১৮ অসিবুসু চহি খুদিংগী য়ুনিটি ডে হায়না লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা মীয়ামগা নুংগী ওইবা ৱাংঙুলোন্দু নৈনজবগী তাঞ্জা লৌজরি অমসুং অচুম্বী ঈহৌগী অচুম্বা লম্বীগীদমক লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংদা মীয়ামগী মতেং লৌজরগা লেপ্পা লৈতনা ইকায় খুম্নবা উৎচবদু কুমওন কাংদনা চখজরিবনি।

য়ুনিটি নমদুনা থমসি হায়বা নত্তে, য়ুনিটি ক্রিটিসিজম য়ুনিটি হায়বা মালেমগী য়ানরবা কাংলোন অসিগী মতুং ইন্না চখজবনি। মরম অসিনা অমুকোনা লুপ কয়াগা খুৎশম্নজরগা য়ুনিদেপ কেম্পেইন হায়বদি য়ুনিটি দিভলপমেন্ট এন্দ পিছ হায়বা মরুওইখ্রবা ৱাফম অসিদায়ুন্ফম ওইজদুনা চীং-তমগী মীয়ামগী অপাঙ্গা অৱায়-অখুম তৌনদুনা অচুম্বা লম্স্বেল থিমিন্নবগী শরুক য়ামিন্নখি।

পুন্না চাওখৎমিন্নবা, হিংমিন্নবা অমসুং পুন্না থেংনমিন্নবা হায়বা অপুনবা পুৱারীদা য়ুন্ফম ওইবা লিক্লমসিদা চৎপতনা কাংলুপ খুদিংগী য়াইফবা ওইগনি হায়বসি চেৎনা থাজদুনা চহি ২০ হেন্না মীয়ামগা লোয়ননা লেপ্পা লৈতনা মীয়ামগীদমক তৌফম থোকপা থবক কয়া তৌরক্লি। অদুবু ভারতকী লেপ্পা লৈতনা খাইদোক খাইজিনগী পোলিটিক্সতা কাংলুপ খুদিংগী ফুরুপ পুম্নমক লৈতাফম খঙনদ্রি। ঙসিদি নাগালেন্দসু ইষ্টর্ন নাগালেন্দ দিমান্দ তৌরক্লি। চীংগী লালহৌবশিংনা অখুবা মীৎয়েংদগী লাপথোকপা ঙমদবনা ঙসিদি কাংলুপ-কাংলুপকী ইন্টরেষ্টতা মাগী মাগী অপান্সদু খক্তা ইনশিন্নরকপনা অচুম্বা লম্বীদা ৱাহন্থোক লৈবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। মসিগী শরুক অমনি কুকিনা অতোপ্পা ষ্টেট অমা শেমগনি হায়না লাওবা হৌরক্লিবসি। করম্বা কুকি জাতিগী ইন্টরেষ্টতনো খঙবা ঙমদে। মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা লুচিংবা খরনা মানা-মানা থোকপা তৌদুনা অনৌবা ৱাথোক কয়া অমুক শেম্না হৌরক্লি। অহোঙবা রাজনীতি তৌবা ঈহৌ খুদিংনা মীয়ামগী মোংফম তৌবগুম কুকি লুচিংবা খরনা মখোয়গী কাংলুপকী মীয়ামদা কান্নদবা পোৎলুম কয়া থোঙ্গৎপীরি। পুম্নমকসি অপুনবগী অকনবা উচনগী ৱাংমদা লুচিংবা খরগী ইন্টরেষ্টতা মরম চাবা চাদবা দিমান্দ কয়া তৌদুনা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন মমি শাম্না হোৎনরি। কাওইরোইদবদি কনখ্রবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবা কয়া মাগী ইথিক্স গ্রুপ্পু খক্তগী ইন্টরেষ্টতা হৌবা ঈহৌ খুদিং কাংখুল মুৎলি। অৱাং নোংপোক্তি লাইরদনা সবমেরিন লৈরবা শক্তি লৈখ্রবা এল টি টি ই তামিলখক্তগী লালহৌরুবা মরুওইবা মীশক কয়া হাৎখিবা, ধর্ম্মগী লাইশঙদা মান্নদবা লাইনিংনি হায়না বোম থাদরুবনা মরম ওইদুনা পাক শন্না লিবরেটেদ জোন লৈরিবা অসিদা মশাগী লৈঙাক তৌজরবসু পুন্মাং মাংখি। মসি নাগা অমদি কুকি লালহৌবনা কাওরোইদবনি। সরকারগী সিফাইশিংগা খুৎ থোক্লন্দনবা য়ানচে সহি তৌরে হায়দুনা অতোপ্পা কাংলুপ্তা ফুবা-চৈবা, পোৎ মুনবা, হুরানবা, খুদোংথিনিংঙাই লৈতনা চৎপা য়ারে খন্দুনা তৌনিং-তৌনিংবা তৌরিবসি ৱারী শারিবা সরকার অদুনা ফ্রি থাদোকপগী মরম খোইচাক থারিবনি। মসিনা কাংলুপ মশেল নুংশিনদনবা মরু হুন্দুনা মশা মরেং শন্দোক্লবা দিল্লিনা হোৎনবসি ফত্তে হায়না খঙদবসি থেংমল্লবনি।

অমুকোনা কাংলুপ অমত্তদা খেন্ননা য়েংদে। অদুবু অপুনবগী শক্তমদা শিংনবদি মীয়ামগী ফ্যুচর উদবা লুচিংবনি অমসুং খোঙদা শিংজংনা য়ানশিন্নবা ঈহৌনি হায়বসি মণিপুর মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নরগা থেংনগনি। মরমদি মচেৎ মচেৎ তারবা ৱাখল্লোন অমসুং অপুম্বা পামদ্রবা ফুরুপ কয়াগী কলচর লাক্কদৌরিবা তুংগী মীরোলগী চীং-তমগী লাইবক্তা থম্স্রা হৌনদে। পুম্নমকসিনা শাগোন্নজবা ৱাখেল্লোন্দা য়ুন্ফম ওইরগা অমুকোনা হন্দকসু পাঙথোক্কদৌরিবা জুন ১৮ গী য়ুনিটি ডে চীং-তম মীয়াম্না লাকপীদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না চেরোলসিনা আপিল তৌরক্লি।